# কুরান মৈ থাবা মখা তানা চথহল্লিমখৈ স্বিদেননা নাটোদা য়াওবা য়ারোই: টর্কিজ প্রসিদেন্ট ইর্দোগান



অঙ্করা, ফেব্রুৱারী ২ (এজেন্সী):

স্বিদেননা ইস্লামগী শেংলবা লাইরিক কোরানবু মৈ থাবা য়াওনা প্রোটেষ্টরশিংবু মখা তানা ইস্লামিক লাইনিং লাইশোলগী মায়োক্তা পামদবা থবক থৌওংশিং চথহল্লিমখৈ স্কেদেনিভিয়ন লৈবাক অসি নাটো মিলিটরি এল্লায়ন্সতা টর্কিনা কৈদৌঙৈদসু য়াওহল্লোই হায়না টর্কিগী প্রসিদেন্ট রিসেফ টায়িব ইর্দোগাননা ফোঙদোকখ্রে।

স্বিদেন অমসুং ফিনলেন্দনা নোংচুপলোমগী মিলিটরি এল্লায়ন্স অসিগী মেম্বরশিং ওইবগী ৱাফম এপ্রুফ তৌদনা লাক্লিবা টর্কি ষ্টোকহোল্মদা পরিং নাইনা চথখিবা তোঙান তোঙানবা দিমোন্সট্রেসনশিংনা মরম ওইদুনা খোইরাং খোইশাওদুনা লাক্লিবনি। শুপ্নগী এন্টি-ইস্লাম এক্তিভিষ্ট অমনা চথখিবা প্রোটেষ্ট অমদা ষ্টোকহোল্মদা লৈবা টর্কিজ এম্বেসিগী মপানদা কোরান মৈ থাখি অমসুং মরী ইরৈ লৈনদবা প্রোটেষ্ট অমদনা ইর্দোগানগী মীতম হেঙ তৌখি।

থৌদোকশিং অসিগী মমাঙদা অঙ্করানা স্বিদেন অমসুং ফিনলেন্দদা টর্কিনা টেররিষ্টশিংনি হায়না লাউথোকখ্রবা কুর্দিষ্ট অমসুং অতৈ গ্রুপশিংগী লোইদা লৈরিবা মেম্বরশিংগী মায়োক্তা ফাবা পুনবগী কেম্পেইন অমা চথুদুনা লাকখিবনি। নোর্দিন লৈবাক অনী অসিনা নাটোদা য়াওবগী মতাংদা ব্রসেলসতা পাঙথোক্কদবা মরু ওইবা মীফম অমা টর্কিনা মতম কক্তনা য়ৈথোকপসু লৈখ্রে।

রুল্লিং পার্টিগী লেজিসলেটরশিংদা পীবা স্পিচ অমদা ইর্দোগাননা হায়খি, মদুদি স্বিদেননা মখা তানা মুস্লিমশিংগী শেঙলবা লাইরিক কোরানবু মৈ থাবা অমদি শেগায়বা য়াহল্লিবমখৈ লৈবাক অসিনা ফনা য়াম্না কন্না মিলিটরি এল্লায়ন্স অসিদা য়াওনবা প্রেসর পীবা অমদি লোবি তৌবা লৈরবসু ঐখোয়না এল্লায়ন্স অসিদা লৈবাক অসিবু য়াওনবা অয়াবা পীবা তৌরোই।

ষ্টোকহোল্ম অমসুং দেনিস কেপিটেল কোপেনহেগনদা ফার-রাইট, এন্টি-ইস্লাম এক্তিভিষ্ট অমনা কোরানগী কোপিশিং মৈ থাখিবা য়াওনা স্বিদেষ্ট গভর্ণমেন্ট ওফিসলশিংনা প্রোটেষ্টশিং অদুদগী থাপ্না লৈখিবনি। লৈবাকপোকপা নুমিত্তা স্বিদেনগী প্রাইম মিনিষ্টর উল্ফ কৃষ্টরসোননা দেমোন্সট্রেসনশিং পাঙথোকখিবা এক্তিভিষ্টশিং অদুবু চৈরদুনা মখোয়গী থৌওং অদুনা স্কেন্দেনিয়ন লৈবাক অসিনা নাটোদা য়াওনবা হোৎনবদা খুরৌ হেন্না থাংহল্লে হায়খি।

পনবা য়াবদি, স্বিদেন অমসুং য়ুমথংনরিবা ফিনলেন্দনা মতম শাংলক্লবা নন-এল্লাইনমেন্টগী পোলিসি থাদোক্তুনা নোংচুপলোমগী দিফেন্স এল্লায়ন্স নাটোদা য়াওননবা এপ্লাই তৌখিবনি। খোঙথাং অসি মরু ওইনা রসিয়ানা য়ুক্রেনদা লান দাবদগী লাকপনি। টর্কি অমসুং হঙ্গেরিদমক নত্তনা নাটোগী মেম্বর পুন্নমক্না মখোয়বু এল্লায়ন্স অসিদা য়াওহনবগী ৱাফম রেটিফাই তৌখ্রবসু লৈবাকশিং অসিনা এল্লায়ন্স অসিদা য়াওবদা মেম্বর অমত্তা চিংখদনা এপ্রুভেল পীবা মথৌ তারিবনি। য়ুমশকৈশ নুমিৎকী টেলিভিজন ইন্টরভিয়ু অমদা স্বিদেননা কোরান মৈ থারিবা প্রোটেষ্টশিং থীংবা মথৌ তাই হায়না ফোঙদোকখি।

ফ্রিদম ওফ এক্সপ্রেসনগী মিংগী মুস্লিমশিংগী মায়োক্তা হঙ্গোই তুক্কৎচবা ৱাখল্লোনদা য়ুন্সফম ওইবা ক্রাইমশিং চথবা হায়বসি কনামত্তনা য়াফম থোক্তে। লাইনিং লাইশোন পুন্নমক্কী থাজনরিবশিং ঐখোয় পুন্ন মক্না ইকায় খুম্নবা উৎকদবনি অমসুং ইস্লামো ফোবিয়াবু থেংননবা মরী লৈনবা খুদিংমক্না থস্মোয় শেংনা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাংশিং লৌখৎপা মথৌ তাই হায়খি।

# প্রোটেষ্ট মরক্তা পেরুগী কংগ্রেসনা মীখলগী মতম নকশিলহন্নবগী বিল রিজেক্ট তৌখ্রে



লিমা, ফেব্রুৱারী ২ (এজেন্সী):

পেরুগী হান্নগী প্রসিদেন্ট পেদ্রো কাষ্টিলোবু থা অনীগী মমাঙদা মফমদগী চিংথুখিবা মতুংদা লেপ্তুনা চথরকখিবা শাথিরবা প্রোটেষ্টশিংগী মরক্তা প্রসিদেন্সিএল মীখল খরা থুনা কুমজা ২০২৩ গী দিসেম্বরদা পাঙথোকপা য়াহনগদবা অনীশুবা বিল অমা লৈবাক অসিগী কংগ্রেসনা রিজেক্ট তৌখ্রে।

এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, লেজিসলেসন অদুনা হৌজিক লৈরিবা প্রসিদেন্ট দিনা বলৌটেগী টর্ম কুমজা ২০২৪ গী এপ্রিল ৩০ দা লোইহনবগা লোয়ননা মহাক্কী মহুৎ শিনগদৌরিবা অদুনা পায়গদৌরিবা মতম অদু কাষ্টিলোনা হৌখিবা কুমজা ২০২১-২৬ প্রসিদেন্সিএল টর্মগী লেমহৌরিবা শরুকশিং ওইহনবগী ৱাফম প্রপোজ তৌরি।

য়ুমশকৈশ নুমিত্তা লেজিসলেসন অদুগী মতাংদা ভোট লৌনবদা পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বর ৫৪ না মদুবু শৌগৎখি অমসুং মেম্বর ৬৮ না মদুগী মায়োক্তা লৈখি, ভোট লৌনবা অদুদা মেম্বর অনীদি শরুক য়াখিদে।

বলৌটেনা মমাঙদা লো মেক্করশিংদা বিল অদুবু শৌগৎনবা তকশিনবগা লোয়ননা করিগুম্বা লেজিসলেসন অদু ফেল ওইবা তারবদি মীখলগী মতম থুজিন্নবা কন্সটিটুসন শেমদোকপগী খোঙথাং ফাওবা লাকপা য়াই হায়না ফোঙদোকখি। খাইবুং খাইবুং লৈরবা কংগ্রেস মনুংদা লো মেক্কর খরনা মখোয়গী ওরিজিনেল টর্ম অদু মপুং ফাহনবা পাম্মী। তৌইগুম্বসুং অতৈ লো মেক্করশিংনদি হিরম অসিগা মরী লৈননা ৱারেপ অমা লৌবা য়ানবা অনৌবা কন্সটিট্যুসন অমগীদমক রিফরেন্দম পাঙথোকপা পাম্মী।

কাষ্টিলো মফম লৌথোকখিবগা লোয়ননা বলৌটেনা কুমজা ২০২২ গী দিসেম্বর ৭ তা ওফিস পায়বা হৌখিবদগী পেরুদা পোলিটিকেলগী চরাংনবা অমদি তং তাদবা ফিভম লাকপা হৌখি। হান্নগী প্রসিদেন্ট কাষ্টিলোনা লেজিসলেচর মুথৎনবা হোৎনবদা মায় পাকখিদবা মতুং পুং খরগী মনুংদা পেরুগী কংগ্রেসনা মহাকপু ইম্পিচ তৌখিবনি। মদুগী মতুংদা কাষ্টিলোবু সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা দিটেন তৌখি। প্রোটেষ্টরশিংনা তৌরিবা দিমান্দশিংগী মনুংদা মীখল ঙন্না পাঙথোকউ, কাষ্টিলোবু কষ্টদিদগী থাদোকউ অমসুং বলৌটে রিজাইন তৌ হায়বা য়াওরি। পেরুগী পোলিটিকেল ইরাং অসিদা হৌজিক ফাওবদা মীওই ৫৬ শিখ্রবনি।

# 'জোইন্ট মিলিটরি এক্সর্সাইজদা খ্বাইদগী শাথিবা রিএক্সন উগনি'

সিওল, ফেব্রুৱারী ২ (এজেন্সী):

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা সাউথ কোরিয়াগা লোয়ননা জোইন্ট মিলিটরি এক্সর্সাইজশিং হেন্না পাকথোক চাওথোক্না পাঙথোক্ন বা হোৎনরক্লিবা অসিদা নোর্থ কোরিয়াগী মায়কৈদগী খ্বাইদগী শাথিবা রিএক্সন উৎলক্কনি হায়না শগোলশেল নুমিত্তা পিওংয়াংনা ৱার্নিং তৌখ্রে।

য়ুএসকী দিফেন্স সেক্রেটরি লোইদ ওষ্টিননা চয়োল অসিগী অঙনবা শরুক্তা চৎখিবা সিওলগী খোঙচৎতা সাউথ কোরিয়াগী মহাক্কী লেঙমান্নবগা ৱারী শানখিবদা এফ-২২ অমসুং এফ-৩৫ জেটশিং য়াওনা ষ্ট্রেটেজিক এসেটশিংগী অহেনবা দিপ্লোইমেন্টশিং লৈহন্দুনা সিওলবু পিওংয়াংগী মিলিটরি থ্রেটশিং থেংনবদা হেন্না খুদোং চাহল্লগনি হায়না ফোঙদোকখিবা মতুংদা নোর্থনা ৱার্নিং অসি পীরকখিবনি। য়ুএসনা কোরিয়ন পেনিন্সুলাগী সেক্যুরিটিগী ফিভম য়াম্না লূবা তাঙ্কক অমদা লাকহন্নবা হোৎনরক্লি অমসুং সাউথ কোরিয়াগা লোয়ননা জোইন্ট মিলিটরি দ্রিলশিং হেন্না চাওনা পাঙথোক্তুনা লমদম অসিদা মখা তানা উংখৎনবা ফিভম লৈহন্নবা হোৎনরক্লি হায়না পিওংয়াংগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা ক্লেম তৌরি।

মিনিষ্ট্রি অসিগী ষ্টেটমেন্ট পল্লদুনা নোর্থ কোরিয়াগী ওফিসল কোরিয়ন সেন্ট্রেল ন্যুজ এজেন্সি (কে সি এন এ) না হায়, মসি য়ুএসনা চথরক্লিবা য়াম্না খুদোংথীনিংঙাই ওইবা খোঙথাংশিংগী মনুংদা কোরিয়ন পেনিন্সুলাবু অচৌবা লানগী শাথিরবা খুৎলায়শিং পৈফম অমা ওইহন্নবা হোৎনরকপগী ময়েক লারবা খুদম চাংদম্লি।

ন্যুক্লিয়র খুৎলায় শীজিন্নদুনা দিটরেন্স ফগৎহন্নবা হোৎনরকপা তারবদি মদুগা চান্নবা মওংদা পিওংয়াংনসু ন্যুক্লিয়র খুৎলায়শিংগা লোয়ননা য়ুএসনা সিওলগা খুৎশম্নরগা লৌখৎলক্লিবা মিলিটরি এক্সনগী থৌওং খুদিংমক্কী মায়োক্তা খ্বাইদগী শাথিবা রিএক্সন উৎলক্কনি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# 'দ্রোন এটেক্তা শীজিন্নখিবা পার্টশিং, এক্সপ্লোসিবশিং কুর্দিষ্ট গ্রুপশিংনা সপ্লাই তৌখি'

টেহরান, ফেব্রুৱারী ২ (এজেন্সী):

হন্দক্তা ইরানগী ময়াই থংবা প্রোভিন্স ইস্ফাহনদা লৈবা মিলিটরি প্লান্ট অমদা চথখিবা দ্রোন এটেক্তা শীজিন্নখিবা পার্টশিং অমসুং এক্সপ্লোসিবশিং অদু ইরাক্কি কুর্দিষ্টান রিজনদা বেজ তৌবা হোষ্টাইল ওইবা কুর্দিষ্ট গ্রুপশিংনা ইরানদা ট্রান্সফর তৌরকখিবনি হায়না সেমি-ওফিসল নুওর ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়রি।

ইরানগী সুপ্রিম নেসনেল সেক্যুরিটি কাউন্সিলদা এফিলিএট তৌবা নুওর ন্যুজনা মশক মমিং তাকথোক্তবা ছোর্সশিং পল্লদুনা হায়, হৌখিবা থাংজ নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবদা চথখিবা এটেক অদুদা এক্সপ্লোসিবশিং অমসুং মাইক্রো এয়র ভেহিকল (এম এ ভি) শিংগী পার্টশিং অদু হোষ্টাইল গ্রুপশিং অসিনা ফোরেন ইন্টলিজেন্স সার্ভিসকী ওর্দর অমদা অৱাং নোংচুপ থংবা বোর্দর ফাওরগা বোর্দর সিটি অমগী ৱার্কশোপ অমদা ট্রান্সফর তৌখি।



কুমজা ২০২২ গী ওগষ্টতা ইরানিয়ন ইন্টলিজেন্স মিনিষ্ট্রিনা ওপোজিসন কুর্দিষ্ট ইন্দিভিজ্যুলশিংগী ওইবা মেম্বরশিং ফাখি। টেররিষ্ট গ্রুপ অদু ইস্ফাহনদা লৈবা ইন্দষ্ট্রিএল ফেসিলিটি অমদা এক্সপ্লোসিবশিং শীজিন্নদুনা এটেক তৌবা য়ানবগীদমক ইজরেলনা ওর্গনাইজ তৌখিবনি হায়না রিপোর্ট অদুদা পনখি।

দ্রোন এটেক অদু থাংজ নুমিৎকী নুমিদাং পুং ১০.৩০ রোম তাবদা ইস্ফাহনগী মিলিটরি প্লান্টশিংগী মনুংদা অমদা চথরকখিবনি হায়না ইরানগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখি।

মিনিষ্ট্রি অসিগী মতুং ইন্না দ্রোন ষ্ট্রাইক অদুদা মীশি মীনাশিং অমত্তা য়াওখিদে। প্লান্ট অদুগী ৱার্কশোপ অমগী য়ুমথক্তা মাইনর দেমেজ থোকপা নত্তনা অতৈ অমাঙ অতাশিংসু থোকখিদে।

রিপোর্ট অদুনা মখা তারদুনা এটেক অদুদা শীজিন্নখিবা দ্রোনশিং অদুগী মনুংদা অমগী মেন্যুফেকচরর ইরাননা খঙবা ঙম্লে হায়না অকুপ্পা ৱারোলশিং মখা তানা পন্দবীদা হায়খি।

# রোকেট কাপ্লকপদগী এয়র ষ্ট্রাইক চথখ্রে

জেরুসালেম, ফেব্রুৱারী ২ (এজেন্সী):

পলেষ্টিনিয়ননা রোকেট কাপশিল্লকপগী পাউখুম ওইনা শগোলশেল নুমিত্তা ইজরেল্লি এয়র-ক্রাফটনা গাজাদা ষ্ট্রাইক তৌখ্রে।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা লমদম অদুদা ভাইওলেন্স লেপ্পগা লোয়ননা মরা তপ্পা ফিভম লাকহন্নবা মরী লৈনবা পুন্নমক্তা তকশিনখিবা মতুং নুমিৎ খরনিগী মনুংদা খোঙথাংশিং অসি লাক্লিবনি। রোকেট এটেক অমদি এয়র ষ্ট্রাইকশিং অদুদা মী শিবা অমদি ফিভম থীনা শোক পনবগী পাউ ফঙখিদে।

অমরোমদা, পলেষ্টিনিয়ন ওথোরিটিগী মহুৎ শীন্দুনা টেক্স কলেক্সন তৌরিবা ইজরেলনা পিএগী ফন্দশিংদগী সেকেল মিলিয়ন ১০০ (দোল্লর মিলিয়ন ৪১) পলেষ্টিনিয়ন মিলিটেন্ট এটেকশিংগী ইজরেল্লি ভিক্তিমশিংদা কম্পেন্সেসন পীবদা শীজিন্নরগনি।

শেনফমশিং অদু পিএনা এটেক্করশিংগী ইমুংশিংদা ষ্টাইপেন্দশিং পীবগী মায়োক্তা লৌখৎকদৌরিবা খোঙথাংনি হায়না ইজরেল্লি ফাইনান্স মিনিষ্টর বেজ ালেল স্মোট্রিসনা ফোঙদোকখি। ৱাফম অসিগী মতাংদা পিএগী মায়কৈদগী খুদক্কী ওইনা কম্মেন্ট অমত্তা ফোঙদোরকখিদে।

এয়র ষ্ট্রাইকশিং অদু য়ুমশকৈশ নুমিৎকী রোকেট লোঞ্চকী পাউখুম ওইনা ব্লোকেদ তৌরিবা মফম কন্ট্রোল তৌরিবা ইস্লামিষ্ট মিলিটেন্ট গ্রুপ হামাসনা শীজিন্নবা রোকেট অমসুং অতৈ খুৎলায় শাফমশিংদা টার্গেট তৌদুনা চথরকখিবনি হায়না ইজরেল্লি মিলিটরিনা ফোঙদোকখি।

য়ুমশকৈশ নুমিৎকী রোকেট এটেক অদু পলেষ্টিনিয়ন গ্রুপ অমত্তনা ক্লেম তৌখিদে। সোসল মেদিয়াদা থাগৎপা ভেরিফাই তৌদবা ভিদিও অমদা রোকেট লোঞ্চ তৌদ্রিঙৈ মমাঙদা ৱাহৈ খরা ইবা রোকেট অমা য়াওনা পুন্না রোকেট অহুম উৎপগী শক্তম উখি।

অহৌবা মখোলশিংগা লোয়ননা বিল্ডিংশিং নিকখি অমদি অহিংগী মতম অদুদা গাজাগী নোংথক পুন্বা পুমঙান ঙানখি। ইজরেল্লি টাউনশিং অমসুং ভিলেজশিংদা ৱার্নিং সাইরেনশিং হৌনা খোঙদুনা রোকেট এটেক চথরক্কদৌরে হায়না মীয়ামদা ৱার্নিং তৌখি।


**COUNCIL OF HIGHER SECONDARY EDUCATION, MANIPUR**

**ꯈꯣꯡꯇꯥꯛꯄ / NOTIFICATION**

Imphal, the 2nd February, 2023

No. 2/39/96-HSC/7824: It is, hereby informed to all concerned that the admission cards of the eligible candidates for the ensuing Class XI and Higher Secondary Examinations, 2023 shall be issued from the 8th February, 2023.

Therefore, all concerned Principals and Private Candidaates are requested to collect the same by themselves or by sending an authorized person of the institution concerned from the office of the undersigned during office hours.

**Sd/- Ch. Biren Singh**
Secretary,
Council of Hr. Sec. Edn.,
Manipur

HL-B/8004/3



Azadi Ka Amrit Mahotsav | Government of India | G20 2023 INDIA

**সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ কম্যুনিকেসন্স (মিনিষ্ট্রি ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং)**

সূচনা ভাৱন, সিজিও কমপ্লেক্স

লোদি রোদ, ন্যু দিল্লি - ১১০০০৩

ইন্দিয়া পুম্বদা হোর্দিংশিং দিসপ্লে তৌনবগী ইম্পেনেলমেন্টগীদমক (সোল রাইটশিংগী নত্তনা) সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ কম্যুনিকেসন, মিনিষ্ট্রি ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা আউটদোর মেদিয়া এজেন্সিশিংদগী এপ্লিকেসনশিং কৌজরি। আর এফ পিগী অকুপ্পশিং সি পি পিগী পোর্টেল অমসুং সি বি সিগী ৱেবসাইট http://www.davp.nic.in দগী ফঙগনি।

এপ্লিকেসনগী অরোইবা তারিখ ২৮-০২-২০২৩ নি।

**টুসর কারমাকর**
প্রদক্সন মেনেজর (ও পি)
০১১-২৪৩৬৯৩৬২

CBC 22204/11/0013/2223



**ফিল্ম এন্দ টেলিভিজন ইন্সটিট্যুট ওফ ইন্দিয়া, পুনে**

**গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিংগী মখাদা লৈবা ওটোনোমস ইন্সটিট্যুট অমা**

**(সোসাইটিজ/রেজিষ্ট্রেসন এক্ট ১৮৬০ গী মখাদা রেজিষ্টর তৌবা সোসাইটি অমা)**

ফিল্ম এন্দ টেলিভিজন ইন্সটিট্যুট ওফ ইন্দিয়া (এফ টি আই আই), পুনেনা মখাগী গ্রুপ 'এ' পোষ্টশিং অসিগীদমক ইন্দিয়ন সিটিজনশিং (অমসুং মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়র্স, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা ইল্লিজিবল ওই হায়না লাউথোক্লবা অসিগুম্বা অতৈ কেন্দিদেটশিংদগী) এপ্লিকেসনশিং কৌজরি।

| সে নং. | পোষ্টকী মমিং | পে মেট্রিক্স লেভেল | অপুনবা | ভেকেন্সিশিংগী মশিং জেনরেল | ভেকেন্সিশিংগী মশিং ওবিসি | ভেকেন্সিশিংগী মশিং এসসি | ভেকেন্সিশিংগী মশিং এসটি | ই দব্লিয়ু এস | অপ্পর এজ লিমিট |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| ১. | দিন (টেলিভিজন) | লেভেল ১২ | ০১ | ০১ | | | | | চহী ৫৫ |
| ২. | প্রোফেসার, স্ক্রিন প্লে রাইটিং | লেভেল ১২ | ০১ | | ০১ | | | | চহী ৫০ |
| ৩. | প্রোফেসার, ইদিটিং | লেভেল ১২ | ০১ | ০১ | | | | | চহী ৫০ |
| ৪. | প্রোফেসার, সিনেমাটোগ্রাফি | লেভেল ১২ | ০১ | | | ০১ | | | চহী ৫০ |
| ৫. | প্রোফেসার, ম্যুজিক | লেভেল ১২ | ০১ | | ০১ | | | | চহী ৫০ |
| ৬. | প্রোফেসার, সাউন্দ ইঞ্জিনিয়ারিং | লেভেল ১২ | ০১ | ০১ | | | | | চহী ৫০ |
| ৭. | এসোসিএট প্রোফেসার, ফিল্ম দিরেক্সন | লেভেল ১১ | ০২ | ০১ | | | ০১ | | চহী ৪৫ |
| ৮. | এসোসিএট প্রোফেসার, সিনেমাটোগ্রাফি | লেভেল ১১ | ০১ | ০১ | | | | | চহী ৪৫ |
| ৯. | এসোসিএট প্রোফেসার, ফিল্ম প্রদক্সন | লেভেল ১১ | ০১ | | ০১ | | | | চহী ৪৫ |
| ১০. | এসোসিএট প্রোফেসার, ই টি ভি ফিল্ম প্রদক্সন | লেভেল ১১ | ০১ | | ০১ | | | | চহী ৪৫ |
| ১১. | এসোসিএট প্রোফেসার, টি ভি ইঞ্জিনিয়ারিং (রেকোর্দিং) | লেভেল ১১ | ০১ | ০১ | | | | | চহী ৪৫ |
| ১২. | এসোসিএট প্রোফেসার, ই টি ভি প্রদক্সন | লেভেল ১১ | ০১ | ০১ | | | | | চহী ৪৫ |
| ১৩. | এসোসিএট প্রোফেসার, টি ভি টেক্নিকেল মেনেজমেন্ট | লেভেল ১১ | ০১ | ০১ | | | | | চহী ৪৫ |
| ১৪. | এসোসিএট প্রোফেসার, টি ভি ইঞ্জিনিয়ারিং (ইলেক্ট্রোনিক্স) | লেভেল ১১ | ০১ | | | | | ০১ | চহী ৪৫ |
| ১৫. | এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার, সিনেমাটোগ্রাফি | লেভেল ১০ | ০২ | | | | ০১ | ০১ | চহী ৪০ |
| ১৬. | এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার, ইদিটিং | লেভেল ১০ | ০১ | | | ০১ | | | চহী ৪০ |
| ১৭. | এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার, সাউন্দ ইঞ্জিনিয়ারিং | লেভেল ১০ | ০১ | ০১ | | | | | চহী ৪০ |
| ১৮. | এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার, টি ভি ইঞ্জিনিয়ারিং | লেভেল ১০ | ০২ | | ০১ | ০১ | | | চহী ৪০ |
| ১৯. | এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার, টি ভি টেক্নিকেল ওপরেসন্স | লেভেল ১০ | ০২ | | | ০২ | | | চহী ৪০ |
| ২০. | এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার, টি ভি প্রদক্সন | লেভেল ১০ | ০২ | | ০২ | | | | চহী ৪০ |
| ২১. | মেন্টেনেন্স ইঞ্জিনিয়র | লেভেল ১০ | ০২ | | ০১ | ০১ | | | চহী ৩০ |
| ২২. | ভিজন মিক্সর ইঞ্জিনিয়র | লেভেল ১০ | ০১ | | | ০১ | | | চহী ৩০ |
| ২৩. | চীফ লাইব্রেরিয়ন | লেভেল ১০ | ০১ | | ০১ | | | | চহী ৩৫ |
| ২৪. | ফিল্ম রিছর্স ওফিসর (পি দব্লিয়ু দি কেটিগরিগী - এ হায়বদি ব্লাইন্দনেস অমসুং লো ভিজন) | লেভেল ১০ | ০১ | ০১ | | | | | চহী ৩০ |

**অহেনবা অকুপ্পশিংগীদমক ভিজিট তৌবীয়ু ftii.ac.in দা**

CBC 22104/11/0002/2223


# ম্যান্মারদা ইমর্জেন্সি থা তরুক শাংদোকখ্রে

য়াঙ্গোন, ফেব্রুৱারী ২ (এজেন্সী):

ম্যান্মারগী নেসনেল দিফেন্স এন্দ সেক্যুরিটি কাউন্সিল (এন দি এস সি) না য়ুমশকৈশ নুমিত্তা সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী লৈবাক অসিদা থল্লক্লিবা ইমর্জেন্সিগী ফিভম মখা তানা থা তরুক শাংদোকহনখ্রে।

এক্তিং প্রসিদেন্ট য়ু মিন ৱেনা খুৎয়েক পীদুনা থোকপা ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুং ইন্না ইমর্জেন্সিগী মতম অদু ষ্টেট কন্সটিট্যুসনগী সেক্সন ৪২৫ কী মতুং ইন্না কুমজা ২০২৩ গী ফেব্রুৱারী ১ দগী থা তরুক ফাওবা শাংদোক্লে। লৈবাক অদুদা মহৌশাগা মান্নদবা থৌদোকৱাথোক কয়া থোকপনা মরম ওইদুনা ইমর্জেন্সিগী মতম শাংদোকপা নত্তবদি কম্মান্দর-ইন চীফনা মহাক্কী রেস্পোন্সিবিলিটিশিং মপুং ফানা অমদি খুদোংচানা পাঙথোকপা ঙম্লোইদবগী ফিভম লৈবদগী তঙাই ফদনা ইমর্জেন্সি শাংদোকপনি। ইমর্জেন্সি শাংদোক্লিবদু লৈবাকপোকপা নুমিত্তা পাঙথোকখিবা কাউন্সিলগী মীফমদা শরুক য়াখিবা এন দি এস সিগী মেম্বর পুন্নমক্না এপ্রুফ তৌখি হায়না ষ্টেটনা চল্লাইবা মেদিয়া রিপোর্টশিংদা পনখি।

মীফম অদুদা এক্তিং প্রসিদেন্টনা ইমর্জেন্সি শাংদোকপগী ৱাফম অসি লাউথোকপগা লোয়ননা অমুক হন্না ষ্টেট পৱার দিফেন্স সার্ভিসেসকী কম্মান্দর-ইন-চীফ সেনিয়র জেনরেল মিন ওং লাইনদা শীন্নখি।


**ওফিস ওফ দি**

**ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন**

**ꯈꯪꯍꯟꯕ/খঙহঞ্জবা**

তাং ০২-০২-২০২৩

No. IMC/85/RO/SR/2015-17 (Pt-IV) ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী ৱার্দ ২৭ গী মনুংদা লৈবা শোপ কিপ্পর্স/দুকান ফম্বীরিবশিংগী মায়কৈদা করিগুম্বা খরা খঙহঞ্জরি। মদুদি "Imphal Municipal Corporation (Registration and Licensing of Shop) Bye-Laws 1998" গী মখাদা Imphal Municipal Corporation দগী Shop Licence লৌবীখ্রবশিংনা Shop Licence লৌখ্রিবা নুমিত্তগী থারগা চহী অমা ফাবগা ইশাগী Shop Licence অদু রিন্যু তৌগদবনি। করিগুম্বা 90 days গী মনুংদা রিন্যু তৌদ্রবদি "Imphal Municipal Corporation (Registration and Licensing of Shop) Bye-Laws 1998" গী Section 4(c) গী মতুং ইন্না ইশাগী লাইসেন্স অদু ভেলিদ ওইদ্রে হায়না লৌগনি।

কোর্পোরেসন্না কোল্লিবা ৱার্দ ২৭ গী মনুংদা লৈবা লৈকায় অমদি লৈরক মনুংদা শোপ লাইসেন্স পায়দনা দুকান ফম্বীরিবশিংনা ইচল ইনাওশিংনা শোপ লাইসেন্স লৌবীয়ু, করিগুম্বা লৌদবা তারবদি দুকানশিং অদু থোং লোনবগী থবক চথরগনি।

**Sd/- Ksh. Gyanendra Singh**
Asstt. Municipal Commissioner,
Imphal Municipal Corporation

HL-P/8005/3&5



**ৱাদিয়া ইন্সটিট্যুট ওফ হিমালয়ন জিওলোজি**

**(দিপার্টমেন্ট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী ওটোনোমস ইন্সটিট্যুসন অমা)**

**৩৩, জেনরেল মহাদিও সিংহ রোদ**

**দেহরাদুন-২৪৮০০১**

নং. রিক্রুটমেন্ট/দিরেক্তর/দব্লিয়ু আই ঐচ জি/২০২৩-ইএসটিটি তারিখ ২৫-০১-২০২৩

**এদেন্দম**

দিরেক্তর, দব্লিয়ু আই ঐচ জিগী ফমগীদমক তারিখ ২১-০২-২০২৩ দা তোঙান তোঙানবা পাউচেশিং অমসুং ইমপ্লোয়মেন্ট ন্যুজতা ফোঙখিবা এদভর্টিজমেন্টগী মখা চথরকপা ওইনা চহীগী লিমিট অমসুং এপ্লিকেসন লৌশিনবগী অরোইবা তারিখ অমসুং মতমগা মরী লৈননা মখাগী এদেন্দম অসি ইস্যু তৌরি:-

**চহীগী লিমিট:** দাইরেক্ট রিক্রুমেন্টগী ওইনা: জনুৱারী ১, ২০২৩ দা চহী ৫৬তগী হেন্দবা।
সোর্ট-টার্ম কন্ট্রেক্ট য়াওনা দিপ্যুটেসনগী ওইনা: এপ্লিকেসনশিং লৌশিনবগী অরোইবা তারিখতা চহী ৫৮ দগী হেন্দবা

**এপ্লিকেসন লৌশিনবগী অরোইবা তারিখ অমসুং মতম:**

**পোষ্টকী খুথাংদা:** দাইরেক্ট এপ্লিকেসনশিংগী ওইনদি এটেচ তৌরিবা ফোর্মেটশিং ১ অমসুং ২ দা য়াওবা ইনফোর্মেসন অদু চহী, ক্বালিফিকেসনশিং অমসুং এক্সপরিয়েন্স সপোর্ট তৌবা সার্টিফিকেটশিংগী সেল-এটেচ তৌবা ফোটো কোপিশিংগা লোয়ননা রেজিষ্ট্রার, ৱাদিয়া ইন্সটিট্যুট ওফ হিমালয়ন জিওলোজি, ৩৩, জেনরেল মহাদিও সিংহ রোদ, দেহরাদুন-২৪৮০০১ (উত্তরাখন্দ) দা তারিখ ২৪-০২-২০২৩ ফাওবগী মনুংদা য়ৌনবা পোষ্টকী খুথাংদা থাগদবনি। অসাম, মেঘালয়া, অরুনাচল প্রদেশ, মিজোরাম, মণিপুর, নাগালেন্দ, ট্রিপুরা, সিক্কিম, জম্মু এন্দ কাশ্মির ষ্টেটকী লদাখ দিভিজন, হিমাচল প্রদেশকী চম্বা দিষ্ট্রিক্টকী পাঙ্গি সব দিভিজন অমসুং লাহাউল এন্দ স্পিদি দিষ্ট্রিক্টকী (নোমিনেসনশিং য়াওনা কেন্দিদেটশিংগী এপ্লিকেসনশিং লৌশিনবগী অরোইবা তারিখ) ০৩-০৩-২০২৩ ওইগনি।

**নোমিনেসনশিং:** নোমিনেসনশিংগী ওইনদি কেন্দিদেট অমা নোমিনেট তৌরিবা মশক নাইবা মীওইশিং অদুনা কেন্দিদেট অদুগী এপ্লিকেসন অদু রিকমেন্দেসনশিংগা লোয়ননা মথক্কী এদ্রেস অসিদা ২৪-০২-২০২৩ ফাওবগী মনুংদা য়ৌননবা পোষ্টকী খুথাংদা থাগদবনি।

**অতৈ টর্মশিং অমসুং কন্দিসনশিংদা অহোংবা লৈরোই। পোষ্টকী অকুপ্পা এদভর্টিজমেন্ট, এপ্লিকেসনগী ফোর্মেট অমসুং অতৈ অকুপ্পশিং ৱেবসাইট:** www.wihg.res.in **দা ফঙগনি।**

**(রেজিষ্ট্রার)**

CBC 36122/12/0006/2223